কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

লিগেল এইদ ক্লিনিক বাশিখোংনা শীন্দুনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী মীৎয়েং মখাদা টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস দেগা মরী লৈননা থা অসিগী ১২ দা পিকচর পার্সেপ্সন কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে হায়না লিগেল এইদ ক্লিনিক বাশিখোংগী কোওর্দিনেটর তোংব্রম রোমিতানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদু হৌদোকপদা ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট নিংথৌজম লনলৈমনা অথোইবা মীথুংলেন, এদভোকেট বি সুপ্রিয়ানা রিছোর্স পার্সন অমদি পি এল ভি লিগেল এইদ ক্লিনিক বাশিখোং তোংব্রম তোম্বীনা থৌরম মপু ওইখি। মহৈরোয় পুন্না ২৭ না শরুক য়াখিবা পিকচর পার্সেপ্সন কম্পিটিসন অদু সী জে এম লনলৈমনা হৌদোকখি। এদভোকেট সুপ্রিয়া, হান্নগী অম্বাগী জেনরেল সেক্রেটরি ওক্রম কুঞ্জো অমদি তোংব্রম অমরজিৎনা জুরি মেম্বর ওইখি। কম্পিটিসন অদুদা সুরন্দা সাপম, পোইনু লাইজিং লাইশ্রম অমদি থোকচোম অঞ্জুনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনা ফংখি। কন্সোলেসন প্রাইজ তরেৎসু য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা নো য়োর আউন রাইট হায়বা থীমদা মহৈরোয়শিংনা এদভোকেট সুপ্রিয়াগা ইন্টরেক্সন তৌখি। ঐখোয়না খঙদবা য়াদ্রবা হ্যুমেন রাইটসকী মতাংদা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি। জুরি মেম্বরশিংনসু মীওইবগী ফংফম থোকপা রাইটকী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। সী জে এম লনলৈমনা অসিগুম্বা থৌরম অসি মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবা মরুওই হায়বা থমখি।

নুপী লাল নীংশিং থৌরম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, ইম্ফালনা শীন্দুনা থা অসিগী ১২ দা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা নুপী লাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না সোসাইটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি গুরুময়ুম বিজয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী সেক্রেটরি মুতুম রমনিনা চীফ গেষ্ট, ষ্টেন্দর্দ কোলেজগী প্রিন্সিপাল চোংথাম ওংবী সুবদনিনা অখন্নবা লেংবীরকপা অমদি নাওরেম বিরহরি কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. এন জি একাশিনিনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। কবি ৩৯ না শৈরেং পাখি হায়রি।

এক্সপ্লোরেসন ইম্ফাল রিভর চথখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

দিরেক্টোরেট ওফ টুরিজম, দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী সুপর ভিজন মখাদা এফেয়রস ওফ বিনাইন সেন্টর (এ বি সী) অমদি দিস্কোভর মণিপুরগা খুৎশম্ননা শীন্দুনা নুমীৎ তরুক্লিগী ওইবা এক্সপ্লোরেসন ইম্ফাল রিভর চথখ্রে হায়না এ বি সীগী সেক্রেটরি সী ঐচ জয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ইম্ফাল তুরেলগী কেসমেন এরিয়াদগী হৌরগা সেরৌ ফাওবা এক্সপ্লোরেসন প্রোগ্রাম চথখি। মদুদা টিম অসিনা ৱেটলেন্দ অনী এক্সপ্লোর তৌবা ঙমখি। ৱেটলেন্দশিং অদুদি, জাইমেং/বুলনপাৎ ৱেটলেন্দ অমদি লেংচেংদোব ৱেটলেন্দনি। হায়রিবা ৱেটলেন্দ অনী অসি ইম্ফাল তুরেলগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা অমনি। উমংগী শরুক নীংথিনা লৈশিল্লক্তবগী মমি তাই। সিফটিং কল্টিভেসন অমদি মৈতাল লৌবগী থবক অসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। লফু পান্বীসু হৌরি। ইম্ফাল তুরেলগী ফীভম অসি য়াম্না শোকচিল্লে। ইম্ফাল তুরেল কনসি, মণিপুর কনসি, ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম কনসি। দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী মীৎয়েং মখাদা এ বি সী অমদি দিস্কোভর মণিপুরনা হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী ৱেটলেন্দ কয়া এক্সপ্লোর তৌবা ঙমখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

শোর্ট টর্ম কোর্স

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

একাদেমীক সেসন ২০২০ গী ওইনা ইম্ব্রোইদরি ক্নলনিটিংগী শোর্ট টর্ম কোর্স অমদি টেল্লরিং এন্দ কটিং/ৱিভিং/কার্পেন্টরি/কার্পেট ৱিভিং অমসুং টোই মেকিংগী ইলিমেন্টরি কোর্সকীদমক থৱায় য়াওবা চহী ১৮ দগী ৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা কেন্দিদেটশিংদগী এপ্লিকেসন কৌরি হায়না ক্লষ্টর টাইপ ট্রেনিং সেন্টরগী জি এমনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি। শোর্ট টর্ম কোর্স অমদি ইলিমেন্টেরি কোর্সকীদমক থাগী ষ্টাইপেন্দসু পীগনি হায়রি।

ক্লাইমেট চেঞ্জগী মতাংদা নুমীৎ নীনি চথগদবা সেমিনার হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ষ্টেট সেন্টর তাকয়েলনা হোষ্ট ওইরগা ইনষ্টিট্যুসন ওফ এঞ্জিনিয়র (ইন্দিয়া)না শীন্দুনা নুমীৎ নীনি চথগদবা কোন্বেটিং ক্লাইমেট চেঞ্জ-এন্দ ইন্টিগ্রেটেদ এক্সন প্লান হায়বা সেমিনার অমা ঙসি নৈলিট অকাম্পাৎকী হোলদা হৌদোকখ্রে।

ইন্টর দিসিপ্লিনরি কোওর্দিনেসন কম্মিটি আই ঈ আই হেদ ক্বার্টর কোলকাটাগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা সেমিনার হৌদোকপগী থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ইনষ্টিট্যুসন ওফ এঞ্জিনিয়র মণিপুর ষ্টেট সেন্টরগী চ্যেরমেন এস শ্যামসুন্দরনা হায়খি, ক্লাইমেট চেঞ্জগী ৱাফম অসি মালেমগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা ইস্যু অমা ওইরক্লি। মহৌশাগী অঙৌং-অশাগী খল কায়রকপনা লৌউ-শিংউ অমদি হীরম কয়াদা অকায়বা পীরক্লি। উমং কোকথোরকপনা হীরম কয়াদা অকায়বা ওইহল্লি। ওইরক্লিবা ফীভম কয়া অসিদা ঐখোয়না নীংথিনা খন্নবা চঙই। ৱাটর বোদিসু লৈশিল্লক্রে। মসিনা মরম ওইরগা মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোকহল্লি। মতম অমদা ফংলম্বা ঙা মখল কয়াসু ফংখিদ্রে। মহৌশাগী অঙৌং-অশাগী খল কায়থরকপনা পীরকপা চৈথেংশিং খঙমিন্নবগা লোয়ননা মসিদগী কন্নবা ঐখোয় খুদিংমক্না থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই। অখণ্ড-অহৈশিং য়াওনা হীরম অসিদা তানগদৌরিবা সেমিনার অসি য়াম্না মরুওই।

অঙৌং-অশাগী খল কায়রকপগী চৈথেং লমদম অসিদসু ফংলি। চহী অসিদা লৌ উগদবা মতমদা নোং চুফম থোকপা চাং য়ৌনা চুরক্তবদগী লৌ উবদা অৱাবা কয়া থেংনখি। ফৌথোকসু হন্থরকপগী ফীভম কয়া থেংনরি। লৌউ-শিংউগী হীরমদা ক্লাইমেট চেঞ্জনা অকায়বা কয়া পী। মসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদসু অকায়বা থোকহল্লি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা রিটয়ার্দ চীফ এঞ্জিনিয়র পি দল্লিয়ু দি, টি ঐচ জয়কুমারনা হায়খি, ক্লাইমেট চেঞ্জগা মরী লৈননা ঙসি পাঙথোক্লিবা সেমিনার অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। এঞ্জিনিয়রশিং য়াওনা খন্ন-নৈনগদৌরিবা অসিনা অফবা মহৈ পুরক্কনি। এঞ্জিনিয়র হায়বসি হীরম খুদিংমক্তা অতৈদগী ষ্টেপ মাঙজিল থানা চৎকদবনি। অঙৌং-অশাগী খল কায়রকপনা পীরক্লিবা চৈথেংশিং অসিগী অৱাবশিং খঙমিন্নবগা লোয়ননা মহৌশাগী খল ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনবদা চপ চাবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা রিটয়ার্দ চীফ এঞ্জিনিয়র এম লোকেন্দ্রো, চীফ এঞ্জিনিয়র পি দল্লিয়ু দি, কে ঐচ তেম্বা, নৈলিটকী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর টি ঐচ প্রমাশ্বর অমদি এম ইবোমচানা স্পেসল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়াখি। তুংদা টেক্নিকেল সেসন পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা টোপিক কয়াদা রিছোর্স পার্সন কয়ানা ৱা ঙাংখি।

আই এল পি চৎনবা তরাম্না ওকই, লৈঙাক্না চৎন-কাঙলোন শেম্লগা অথুবদা থবক হৌনবা হোৎনফম থোকই : পান্দম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

আই এল পি চৎনবা তরাম্না ওকই, ষ্টেট লৈঙাক্না চৎন-কাঙলোন শেম্লগা অথুবদা থবক হৌনবা হোৎনফম থোকই হায়না পিপলস এক্সন ফোর নেসনল দেম্মক্রেটিক মুভমেন্ট (পান্দম)গী কনভিনর রোশিকান্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর মীয়াম্না চহী ৩০/৪০ দগী হৌনা তান্দুনা লাকপা মণিপুরদা আই এল পি চৎনহল্লু হায়বা দিমান্দ অদু ইন্দিয়া লৈঙাক্না গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তুনা থা অসিগী ১১ দগী চৎনবা হৌবগী অয়াবা পীরকপা তরাম্না ওকই। মণিপুরগীদমক মীনুংশি উৎলকখিবা অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। মেনপেক্না চঙশিল্লকপা এন্টি সী এ বিগী খোঙজংগা ঈরোয়ননা আই এল পি চৎনহনবগা লোয়ননা সী এ বিসু মণিপুরদা চৎনরোই হায়বা অসিসু হরাওনিংঙাইনি। মণিপুরদা আই এল পি চৎনরে হায়বা তাবদা মতম কয়াগী মমাঙদগী দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবা লূপশিংসু হরাওফম থোকই। হন্দক্কী মায় পাকপা অসি লন্নাই মীওই অমা অনীখক্কী ওইবা হোৎনজমলগী মহৈনি হায়নদি লৌফম থোক্তে। পুৱারীগী লৈমায় হঙ্গৎনা য়েংমিন্নবা মথৌ তাই। কুমজা ১৯৮০ দগী হৌনা সী এস ওশিং অমদি মহৈরোয় লূপশিংনা ফোরেনর ইস্যুগী লাউরকপা, কুমজা ১৯৯০ দগী পোরমলেন্দ অপূনবনা হায়বদগী মতমদুগী মিনিষ্টর হিদাম বিদুরনা এসেম্ব্লীদা পুখৎখি। ইপসাগা পুনমিন্নরিবা লূপশিংনা পুল্লগা শেন্বা আই এল পি দিমান্দ কম্মিটিনা কুমজা ২০০৫ দগী ইস্যু অসি মীয়াম হুপ্না ৱাখল তামিন্ননবগী এৱ্যেরনেস মীটিং কয়া দিষ্ট্রিক্টশিংদা পাঙথোকখি। মতম অদুগী ফ্রেন্দসনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা চঙশিল্লকখি। মতুংদা হেন্না মপুং ফানা চঙশিনবা ঙম্নবগী পান্দমদা মণিপুরগী মরুওইবা অচৌবা লূপ কয়ানা পুল্লগা কুমজা ২০১২ দা জে সী আই এল পি এস শেমখি।

লমদম অসিদা আই এল পি চৎনদ্রগদি য়েলহৌমী মাঙখ্রগনি হায়বগী খোল্লাও লাউদুনা লাকখি। য়ু সী এমনা মণিপুরগী স্কোলার কয়াগা লোয়ননা পোপ্যুলেসন ষ্টদি তৌদুনা ইনফ্লক্স ওফ মাইগ্রেন্ট ইন মণিপুর কৌবা দেমোগ্রাফিক ষ্টদি রিপোর্ট অমা কুমজা ২০০৩ দা ফোঙখি। মণিপুরগী অপূনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমদি মীতোপনা ওইরে। চীংমীগী অপূনবা মীশিংদগী মপান্দগী লাকপা মীতোপনা হেল্লি হায়বসি খঙখি। মমাঙগী লৈঙাক্কী লুচিংপুরেল ফাওবা ইন্দিয়া মচা অমবু ইন্দিয়া মনুংদা চঙবদা করম্না থিংগদৌরিবনো হায়বসিদা বিল পুথোকপীয়ু য়াদদুনা কুইনা লৈখিবনি। নাগালেন্দ, মিজোরাম অমদি অরুনাচল প্রদেশতা চৎনরিবা বেঙ্গোল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন ১৮৭৩ অসি মণিপুরদসু চৎনহল্লু হায়না তকশিনবদগী অখণ্ড-অহৈ কয়াগা ফম্মিন্নদুনা নৈনরবা মতুংদা মণিপুরদা আই এল পি সিষ্টম চৎনহনগদবনি হায়না কেবিনেট রিজেল্যুসন য়াওনা মণিপুর ষ্টেট এসেম্ব্লীনা ৱারেপ অহুল্লক লৌদুনা সেন্ট্রেল গর্ভর্ণমেন্টতা থাখি।

মণিপুরদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কয়া অসি পুনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বসি খঙদুনা ফুরুপ পুম্নমক্না কয়ারক ফমিন্নদুনা ড্রাফ্ট তৌরবা বিল অদু কুমজা ২০১৮ দা মণিপুর পিপলস বিল হায়না এসেম্ব্লীনা পাস তৌরগা থাখি। এসেন্ট পীরকখিদে। সী এ বিগী মায়োক্তা মণিপুর মীয়াম্না হৌবা ঈহৌগী মহৈনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না আই এল পি চৎনহল্লকপা অসিনা মীয়ামগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি। মণিপুরদা আই এল পি চৎনরবনিনা মসিগী লৌখৎফম থোকপা ফোর্মেলিটিশিং পায়খৎপা মথৌ তারে। চৎন-কাঙলোন শেমদুনা অথুবদা থবক পায়খৎনবা থৌরাং তৌফম থোকই। বেঙ্গোল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র লেগ্যুলেসনগী মখাদা আই এল পি চৎনহনবদা য়েলহৌমী মশক তাকপা মথৌ তারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

রামেশ্বর সরুংবমনা ইবা *কায়রবা চফু মচেৎ* মিংথোনবা লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

রামেশ্বর সরুংবমনা ইবা কায়রবা চফু মচেৎ হায়না মিংথোনবা শৈরেং-লাইরিক অমা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা ফোঙখ্রে।

কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা মণিপুর লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর হুইরেম বিহারীনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর শরতচন্দ্র লোংজোম্বনা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা অইবা রামেশ্বর সরুংবমনা ফোঙদোকখিবদা, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা পোকপগা লোয়ননা ঙল্লিঙৈ মতমদগী ইবা পাবা য়াম্না থৱায় য়াওরকই। ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফাল অমদি নুংতিগী ফোঙবা পাউচেশিংদা শৈরেং, ৱারীমচা পাবা অমদি হাপ্পগী থবক তৌদুনা লাক্লি। অহানবা ফোঙবা ইরৈবাক ইরৈবাক হায়বা লৈবাক নীংবা শৈরেং লাইরিক অসিদা পেট্রিওটিক রাইটস ফোরম মণিপুরনা অরাম্বম ইবুংঙোহল এন্দ বিনোদকুমারী লিটরেরি এৱার্দ ২০১৪ খুদোল তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। হৌজিকসু শৈরেং, ৱারীমচা, ঈশৈনচিংবা ইরি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

লোক অদালট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা শীন্দুনা নেসনল লোক অদালট ঙসি লম্ফেলদা লৈবা কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

লোক অদালট অদুগী মতাংদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরি গোলমৈ কাইপুসিলুনা হায়খি, নেসনল লোক অদালট ওইবা মরম্না ইন্দিয়া পুম্বদা পাঙথোক্লবনি। হৌজিক লিটিগেসন তৌরিবা ক্লেম, কোর্ট কেস কয়া নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরকপনি। লোক অদালট হায়বসি কেস তৌবদা লোইশিন্দবা কয়া মথংগী কোর্ট চৎপগী মহুৎতা য়ানবা পুরক্তুনা লৈতাহনবা অমনি।

লোক অদালটতা অমুক লাকখ্রবদি অতৈ কোর্টতা চৎপা য়াদ্রে। লোক অদালটতা অদুম্মক লোইশিনগনি। মণিপুরগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লোক অদালট পাঙথোক্লি। লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্স অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী অপূনবগী ওইনা পাঙথোকপনি। ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী কেস ২০০০ লাকই। বি এস এন এলগী কেস ১২০০ নি। বেঙ্ককী কেস কয়াসু লাকই। মণিপুর মীয়াম্না লোক অদালটকী কান্নবা লৌবীয়ু। ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেসনা শীন্দুনা চথরিবা লোক অদালট অসিদা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

লোক অদালট অদুদা কেস কয়া পার্টি অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরক্তুনা লোইশিন্নখি। বেঙ্ককা মরী লৈনবা কেস কয়াসু সেট্টল তৌখি।

দ্রগ পুরম্বা অনী ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোনা ঙরাং ময়াই কাবা দ্রগ পুরম্বা মীওই অনী ফারে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি, ককচিং ৱাইরি সাবল লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা এস ঐচ ধনচন্দ্রনগী মচানুপা শ্রীময়ুম রাকেশ অমদি ককচিং ৱাইরি সাবল লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা এম নেপালগী মচানুপা ময়াংলম্বম রামেশ্বর কৌই হায়রি। মখোয়দগী হিরোইন পাউদর গ্রাম ১৬ অমদি দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৯৬ ফাগৎলে। ফারবা মীওইশিং অদু পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা ককচিং পি এসতা খুৎশিন্নখ্রে। ফাগৎলবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা মীওই অনী অদু ককচিং পুলিসনা শীন্নখিবনি হায়নসু পুলিসকী পাউনা মখা তানা হায়রি।

ফ্রী হার্ট কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসননা স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স সেন্টর অমদি য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ ক্লব, ৱাংজিং ৱাংখৈগা খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা ফ্রী হার্ট এন্দ ইকো স্ক্রিনিং কেম্প অমা থা অসিগী ১২ দা ৱাংজিংদা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসনগী কোওর্দিনেটরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, স্কাই হোস্পিটালগী চ্যেরমেন এন্দ চীফ কার্দিওলোজিষ্ট ডা. এল শ্যামকিশ্বরনা লুচিংবা মেদিকেল টিম অমনা ফ্রী হার্ট কেম্প অদুদা লায়েংখি। হার্ট লেম্না লায়েংবগা লোয়ননা ঈ সী জি অমদি দাইবেটিস দিটেক্সন টেষ্টসু লেম্না লায়েংখি। অনাবা ১০৭ লোম লায়েংখি। ফ্রী হার্ট ও পি দি চহী ১৮ গী মখাদা লৈবা অঙাং কয়াদা খুদোংচাবা ফংহনখি। অনাবা ৪৮ দা ফ্রী ঈ সী জি অমদি অনাবা ২০ দা ইকো স্ক্রিনিং তৌখি। অনাবা ১০ দা দাইবেটিস টেষ্ট তৌখি। চহী ১৮ গী মখাদা লৈবা অঙাং মরি সী ঐচ দি দিটেক্ট তৌখি। মীওই মরি অমনা ইকো ষ্টদি ফাইন্দিংদা এবনোর্মেল ওইখি। মখোয়শিং অদু মখা তানা স্কাই হোস্পিটালদা লায়েংনবা খঙহল্লমখি।

মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট ডা. শ্যামকিশ্বরনা অসিগুম্বা ফ্রী হার্ট কেম্প অসি মখা তানা মণিপুরগী মফম কয়াদা চথখিগনি। মসিগী খুদোংচাবা লৌবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

নুমীৎ নীনি চথগদবা ২৫শুবা অমামেকোন ২০১৯ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

য়ুনিভর্সেল হেল্ঠ কভরেজ এব্রিৱান, এব্রিৱ্যের হায়বা থীমদা নুমীৎ নীনি চথগদবা ২৫রকশুবা অমামেকোন ২০১৯ ঙসি আই এম এ হাউসকী মেইন ওদিটোরিয়রমদা হৌদোকখ্রে।

ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা নুমীৎ নীনি চথগদবা অমামেকোন হৌদোকপগী থৌরমদা শিজ হেল্ঠ সিটিগী চীফ মেনেজিং দিরেক্টর ডা. খুন্দোংবম পালিননা চীফ গেষ্ট, আই এম এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ডা. শ্যামকিশ্বর লাইশ্রমনা প্রসিদেন্ট ওইখি। আই এম এগী পাষ্ট সেক্রেটরি অমদি রিমসকী য়ুরোলোজি দিপার্টমেন্টকী হান্নগী হেদ ডা. সিনাম রাজেন্দ্র, মণিপুর হেল্ঠ সর্ভিসকী হান্নগী হেদ প্রোফেসর এম কুল্লাচন্দ্র, ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি ডা. নেলসন লোইতোংবম অমদি রিসিপসন কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন ডা. এস য়ুগিন্দ্রোনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ডা. খুন্দোংবম পালিননা হায়খি, মণিপুর অসি টুরিজমগী লমদা হেন্না মায় ওনশিল্লক্লি। মেদিকেল টুরিজমগী লমদসু মীৎয়েং চঙবা য়াবা লম অমা ওইরক্লে। হীরম খুদিংমক্তা খুদোংচাবা হান্না নৎত্রগা কোন্না ফংবা লৈ। খুদোংচাবা অদু লৌবা হৈবা তমসি। মেদিকেলগী লমদা চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি। ঐখোয়গী ইশা-ইশাবু শেমদোকপা ঙল্লবদি খুন্নাই অসিদা ঐখোয়গী মমি লৈহৌবা ঙমগনি। ডোক্তরশিংনা মীয়ামগী থবক তৌবদা থৱায় য়াওনা হোৎনবীয়ু। করিগুম্বা মতমদা নীংহন্নবা য়াওরক্লবসু পূক্নিং ফাথবীয়ু। ঐখোয়না মীওইবা কয়াগী ৱাখল হোংহনবদি ঙল্লোই। অদুবু ইশানা-ইশাবুদি হোংদোকপা ঙমগনি।

ডোক্তর ওইবশিংদি ৱাখল ফাথমিন্নসি। চহী ২০/৩০ রোম লমদম অসিগী হেল্ঠ সেক্তরদা অহোংবা কয়া লাক্লে। মণিপুরগী মহৈরোয় কয়া ষ্টেট অসিদদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদসু মেদিকেল তম্বা চৎলি। মপান লৈবাক কয়াদা মেদিকেল তম্বা চৎপদা অচৌবা শেনফম কয়া মপান লমদা চৎলিবনি। মণিপুরদগী মীওই কয়া অমসু মপান লমদা লায়েংবা চৎনরি। মসিদসু য়াল্লবা শেনফম কয়া মপান লমদা চৎলিবনি। মণিপুরদা মেদিকেল টুরিজমগী লমদা হেন্না চাউখৎহন্নবা মীৎয়েং চঙবা তঙাইফদে। অনা-লায়েং হায়বসি য়াম্না মরুওইবা সেক্তর ওইবনা হীরম অসিদা নীংথিনা চাউখৎহন্নবা ঐখোয় খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনবা তাই। হেল্ঠ সেক্তরদা খুম্মাং চাউশিনবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা লমদমসিগী মশক নাইবা ডোক্তর কয়াসু শরুক য়াখি।

হিয়াংলম অৱাং লৈকায়দা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):দিষ্ট্রিক্ট পানা শগোল কাংজে এসোসিএসন, কৈরক্না দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস থৌবালগী মখাদা থা অসিগী ৮ দা হিয়াংলম হায় স্কুল, হিয়াংলম অৱাং লৈকায়দা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌরম অদু মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা স্পোন্সর তৌবনি। থৌরমদুদা ফেমিলি কোর্ট থৌবালগী জজ সলাম ইমোচানা চীফ গেষ্ট ওইখি। রিটয়ার্দ এঞ্জিনিয়র এস কমলজিৎনা প্রসিদেন্ট, হিয়াংলম হায় স্কুলগী ফাউন্দর কম প্রিন্সিপাল য়ুম্নাম রামেশ্বরনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। এদভোকেট বি সুপ্রিয়ানা চাইল্ড ফ্রেন্দলি লিগেল সর্ভিস টু চিলদ্রেন এন্দ দিয়ার প্রোটেক্সন স্কিম হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি। বি প্রেম, এদভোকেটনা আর টি আই এক্টকী মরমদা তীল্লিবা মীয়ামদা শুগায়না ৱাফম কয়া থমখি। রিছোর্স পর্সন কয়ানা লিগেল সর্ভিসকা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা ৱা ঙাংখি। ফেমিলি কোর্ট থৌবালগী জজ ইমোচানা মোদরেটর ওইদুনা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। মহৈরোয় অমসুং মহৈরোয়গী অহল-লমন য়াওনা মীওই ৯০ হেনবনা নোংমগী ওইবা লিগেল সর্ভিস এৱ্যেরনেস অদুদা শরুক য়াখি।

থৌবালদসু লোক অদালট পাঙথোক্তুনা কেস মখল কয়া সেট্টল তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি, থৌবালনা শীন্দুনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্ট কমপ্লেক্স থৌবালদা নেসনল লোক অদালট পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি থৌবালগী সেক্রেটরি অসেম তরুনিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লোক অদালট অদুদা বেঞ্চ অহুম থোকখি। ফেমিলি কোর্ট থৌবালগী জজ এস ইমোচা, দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ থৌবাল এস তারা, জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফার্ষ্ট ক্লাস সর্দা য়েংখোমনা চ্যেরপর্সন ওইখি। কেস ৯৮৭ রোম লাকখি। মসিগী মনুংদা বেঞ্চকী কেস অমসুং বি এস এন এলগী কেস য়াওরি। কেস ৬১ রোম সেট্টল তৌখি। লুপা ৫,৭৪,৭২০ রিকোভর তৌখি।

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি থৌবালনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা নেসনল লোক অদালট অদুদা তোঙান তোঙানবা কেস মখল কয়া পার্টি অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরক্তুনা ৱারোইশিন পুরকখি। বি এস এন এল অমদি বেঙ্ককা মরী লৈনবা কেস কয়াসু য়াওরি হায়রি।

ক্লিনলিনেস এন্দ প্লাষ্টিক পোল্যুসন হায়বা থীমদা এৱ্যেরনেস পীবা মাস রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

থোংজু পার্ট টু জি পি ইবুধৌ থোংজু লাকপা ভি এল এফ ইবুধৌ কোইরৌ লাকপা ভি এল এফ অমদি য়ুমজাও লাইরেম্বী ভি এল এফনা শীন্দুনা ক্লিনলিনেস এন্দ প্লাষ্টিক পোল্যুসন হায়বা থীমদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম ওইনা মাস রেল্লি অমা সেবা ক্লব কম্ম্যুনিটি হোল থোংজু পার্ট টুদগী লমথাদুনা চৎখ্রে।

মাস রেল্লি অদু বাশিখোং জিলা পরিষদ ইম্ফাল ইষ্টকী মেম্বর যসোবন্তা চিরোমনা লমথাখি। পেচু লম্পাক, কাঞ্চিপুরনচিংবা চৎলগা সেবা ক্লব কম্ম্যুনিটি হোলদা থুংখি।

থৌরম অদুদা বাশিখোং জেদ পি মেম্বর যসোবন্তা চিরোমনা চীফ গেষ্ট ওইখি। থোংজু পার্ট টু জি পিগী প্রধান এন কানননা প্রসিদেন্ট, পি ঐচ ঈদিগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র কে রামেশ্বর, মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী সাইন্টিষ্ট কে ঐচ তোম্বা, এম এস আর এল এমগী মেনেজর টি জে লুনমাংনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা যসোবন্তনা ফোঙদোকখিবদা, ক্লিনলিনেস এন্দ প্লাষ্টিক পোল্যুসনগী মতাংদা রেল্লি অসি এম এস আর এল এমগী মখাদা শীনবনি। মিনিষ্টর বিশ্বজিৎকী লমজিং মখাদা পাঙথোকপনি। প্লাষ্টিক পোল্যুসনদগী থোরক্লিবা অমোৎপা কয়া অসিনা মীওইবদা শোকহল্লিবশিং খঙমিন্নবগা লোয়ননা লূ-নানবা পুরক্কবা ৱাখল্লোন্দা শীনবনি। অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা পান্দমনি। প্লাষ্টিক্কী মহুৎতা পেপর বট্টল অমদি গ্লাস শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ হায়বা খঙমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু হায়না কোর্ট কমপ্লেক্স মমাঙদা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

নুপী-অঙাংদা চথবা মীওৎ-মীনৈগী চৈথেং ফংলবা ভিক্টিমশিংগী অচুম্বা ৱায়েল পীবীয়ু হায়না ঙসি হায় কোর্ট কমপ্লেক্স মমাঙদা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

য়ুনাইটেদ ৱিমেন রাইটস, কনফ্লিক্ট ৱিদো ফোরম, দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স সর্ভাইভর ফোরম অমদি য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসকী থৌমীশিংনা খোঙজং চঙশিনখিবনি। ৱি ৱান্ট স্পিদি জষ্টিস, দিরেক্ট দি গভর্ণমেন্ট টু ইম্প্রুভ ফষ্ট ট্রেক কোর্ট হায়না ইবা প্লে কার্দ কয়াসু পায়দুনা খোল্লাও কয়াসু লাউখি। লম্ফেল পুলিসকী ও সীনা লুচিংবা টিম লাক্লুগা খোঙজং চঙশিল্লিবশিং অদু তানখায়খি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা অধিকারিময়ুম রোনিনা ফোঙদোকখিবদা, নুপী-অঙাংদা চথবা মীওৎ-মীনৈ কয়া অসিগী অচুম্বা ঙাইরিবা ভিক্টিম কয়ানা মতম শাংনা জষ্টিস ঙাইদুনা লৈরি। অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। অথুবদা ৱায়েল ফংহনবীয়ু। কোর্ট অমদি জজ মশিং হেনগৎহনবীয়ু। ভিক্টিমশিংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীয়ু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

২৯লকশুবা নুপীগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

২৯লকশুবা নুপীগী নুমীৎ থৌরম থা অসিগী ১২দা লৈমকোন ৱিমেন্স এবোর্দ, অচানবীগৈদা পাঙথোকখ্রে হায়না লৈমকোনগী সেক্রেটরি এ সী ঙাঙ্থোইবীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ১৯০৪ অমসুং ১৯৩৯ দা লমদমসিগী নুপী ওইবীশিংনা ইরমদমসিবু কলহৌনবা চিরবা তাঙ্কক কয়াদা শিংনরকপশিং মায়োক্নখি। লৌখিবা থৌদাংশিং অমসুং মায় পাকপা পুরক্তুনা লমদমসিবু কলহৌবা থৌদোকশিং মীয়াম্না নীংশিংদুনা লৈরি। লমদম অসিদা মনুং অমসুং মপানগী শাফু কয়ানা থুগায়নবা হোৎনরকপা মতমদা মদুগী মায়োক্তা নুপী ওইবীশিংনা অচৌবা থৌদাংশিং লৌদুনা লাকখিবা হায়বসি লমদমসিগী পুৱারীদা ময়েক শেংনা উৎলি। নুপীশিংনা খুন্নাই মাঙলকপা য়াবা চৈফু, চৈথেংশিং মায়োক্নদুনা থৌদাং লৌখিবা কয়ানি। নিশাবন্দি, মৈরা পায়বী মালেমগী লৈবাকশিংনা শীংথারিবনি। লৈবাক অসিগী চাউখৎ-লীক্লমদা মাঙজিল থানা চেনখৎনবা হোৎনবদা মনুং অমসুং মপান্দগী পীরকপা শাফুনা য়ৈথায়-থিনগাইবশিং মায়োক্নদুনা লাক্লি। তানফম অসিদা শীংনরকপশিং মায়োক্লবা ঙম্নবা কুমজা ১৯৩৯ গী অনীশুবা নুপী লালদা লমদমসিগী নুপীশিংনা লৌখিবা থৌদাংশিং অমসুং মায় পাকপা পুরকপা ঙমখিবা লাইওইখ্রবা ইমাশিংগী থৌনা লিংজেল নীংশিংদুনা লৈমকোন মণিপুরনা ২৯ লকশুবা নুপীগী নুমীৎ থৌরম দিসেম্বর ১২ দা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসিদা কোইরেঙৈ বজার নুপী মরুপকী সেক্রেটরি নিংথৌজম ওংবী বিমোলা, থোকচোম ওংবী রমনি, প্রসিদেন্ট ওল মণিপুর ৱিমেন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ, সোইবম ওংবী মোমোন লৈমা, ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপ অমদি লৈমকোনগী প্রসিদেন্ট এম সী রিতানা দেজদা ফমখি।

অখণ্ড-অহৈ কয়ানা ৱারোল কয়া থমখি। ঐখোয়গী হয়েংগীদমক মাঙজিল থাখ্রবা ইরৈবাক নীংবশিংগী ৱাখল-লীচিংদুদা হায়বা বেনরদা লেংবীরক্লিবশিংনা লৈ-শু কৎখি। মরুওইবা ৱারোল থমখিবশিংগী মনুংদা লমদমসিদা বেঙ্গোল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন চৎনহন্দুনা মীতোপশিং চঙলকপা লৈবগী মতাংদা রেগ্যুলেট তৌনবা নোটিফিকেসনন লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং কনবা ঙমগদৌরিব্রা। কুমজা ১৯৫১ গী মতুংদগী লমদমসিদা মীওই লাখ কয়ানা খুজিং ওইরগা কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা লৈশিনখ্রে। মসি ঙাকথোকপা ঙমগদৌরিব্রা। কুমজা ১৯৮০, ১৯৯৮ তা এমসুগা মণিপুর লৈঙাক্কা অমদি কুমজা ২০১৫ দা জে সী আই এল পি এসকা মণিপুর লৈঙাক্কা য়ানখিবা য়ান্ন-চেনা অমুক হন্না ১৯৫১ না বেজ ইয়ার ওইরগা নন-ইন্দিজিনস পিপলশিং লমদমসি পর্মিনেন্ট সেট্টলমেন্ট পীদবগা লোয়ননা মরমদমদা হলহনখিগদবনি হায়বা ৱাফমসু থম্লখি।

সী এ বিগী মখাদা সিটিজন অমা ওইহল্লক্কদবা, মীরমদগী কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বর ৩১ নৎত্রগা মসিগী মমাঙদা ইন্দিয়াদা লৈরকখ্রবা মীরৈবাক মচা ক্রোর ১.৫ হেনবা মীওইশিংনা মপুং ওইনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী শরুকশিংদা লৈশিন্দুনা মণিপুরদা করম্বা চৈথেং পীরক্কদগে হায়নসু থম্লখি হায়রি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 12th December 2019 11 am to 4 pm
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19 4:30 pm to 7:30 pm
MATRIC TOPPERS OF 2019
1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpoknganba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Sinngam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
WINTER VACATION SPECIAL CAMP
CLASS I TO VII Starts on 19 December 2019 CLASS I TO VII
Subjects : English - Maths - Meitei Mayek - Hindi & Spoken English
Timing : 6:30 am to 10:00 am
Tutors Teachers of Nirmalabas H/S, St. Joseph, Little Flower, Don Bosco, Christ Jyoti, Heritage Convent, Text Book writters & Former Head Examiners
7th MEGA MOCK TEST
Date Sub.
13/01/20 English
15/01/20 S. Science
18/01/20 Maths
20/01/20 Science
22/01/20 Adl. Sub.
24/01/20 MIL
Last date of Form Submission 31/12/2019
PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE
HL-P/5855/4/12-4/01